## থাই নিংথৌনা কন্সটিট্যুসন সাইন তৌদুনা মীখলগী লম্বী ফাৎখ্রে

বেঙ্কোক, এপ্রিল ০৬ :
হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা কু অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা মিলিটরি গভর্ণমেন্টনা থাইলেন্দদা দিমোক্রেসি হঞ্জিনহনগনি হায়না থাজবা পীখিবগা চাননা মীখল অমা পাঙথোকপা য়ানবগী মায়কৈদা থাংলকপা মরু ওইবা খোঙথাং অমদা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকপা অখন্নবা থৌরম অমদা লৈবাক অসিগী নিংথৌনা অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমা সাইন তৌখ্রে।

লৈবাকশিন-থুংনা টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা থৌরম অদুদা নিংথৌ মহা ভাজিরালোং কোর্ননা দোক্যুমেন্টশিংদুদা সাইন তৌদুনা নিংথৌগী অয়াবা পীবগা লোয়ননা মথং চহীগী অথেংবদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরিবা থাইলেন্দগী মথংগী জেনরেল ইলেক্সন অদুগী প্রোসেস হৌহনবা উখি।

‘নিংথৌ লৈবাক থাইলেন্দগী কন্সটিট্যুসন চৎনবা হৌহল্লে’ হায়না রোয়েল ক্রাইবস ব্যুরোগী ওফিসর অমনা থৌরম অদুদা নিংথৌগী মহুৎ শিল্লদুনা হায়খি।

## সিরিয়াগী কেমিকেল এটেক ঐখোয়না য়ানিঙাই ওইদে অমসুং খাঙবা ঙম্বগী ৱাংমদনি : দোনাল্ড ত্রম্প

ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৬ :
মীচমশিংদা হুগী গ্যাসকী এটেক চথদুনা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদকী গভর্ণমেন্টনা পুম্নমক্কী খাঙবা ঙম্বগী ৱাংমদা থবক তৌরে হায়না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে অমসুং এটেক অসিদগী সিরিয়া অমসুং অশাদতা য়েংলিবা মহাক্কী মীৎয়েংদা অহোংবা লাক্লে হায়খ্রে। অদুম ওইনমক মহাক্কা করম্বা মওংদা রেস্পোন্দ তৌগদগে হায়বদুদি পনখিদ্রে।

ত্রম্পনা হায়খি, অঙাং কয়ামুক য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৭০ শিহনখিবা এটেক অদু য়াম্না কা হেনমল্লি অমসুং খুদিংমক্কী খাঙবা ঙম্বগী ৱাংমদনি। মহাক্কী ৱাফম অসিনা মহাক্কী মমাঙগী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম নিংশিংহল্লি হায়রি। ওবামানা ফোঙদোকখিবা অমদা করিগুম্বা সিরিয়ন রেজিমনা অসিগুম্বা (কেমিকেল) খুৎলায়শিং শীজিন্নরকপা তারবদি এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথদুনা অশাদপু মফমদগী চিংথুগনি





হায়না কিহনখিবনি।

ত্রম্পনা অশাদপু কেমিকেল খুৎলায় শীজিন্নদুনা মীচমশিং হাৎলি হায়না মরাল শীরিবসিনা মহাক্কা সিরিয়ন প্রসিদেন্টকী মরু ওইবা বেক্কর মোস্কোগা হকথেংননা মুক্করকপা য়াবগী ফীভম অমা লাকহনখ্রে হায়রি।

‘ঙরাংগী থৌদোক অদু ঐঙোন্দা য়ানিঙাই ওইদে হায়বসি নখোয়দা খঙহনবা পামই’ হায়না ত্রম্পনা ঙরাং জোর্দাননগী নিংথৌ অব্দুলাহগা লোয়ননা পাঙথোকপা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা পাউমীশিংদা হায়খি।

‘সিরিয়া অমসুং অশাদতা ঐহাক্কা য়েংলম্বা মীৎয়েংদা অহোংবা য়াম্না লৈরে হায়বসি নখোয়দা খঙহনগে। মদুগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা মীফমদা সিরিয়াগী মতাংদা মহাক্কা অনৌবা পোলিসী অমা পুথোক্লবা হোৎনরিব্রা হায়না হংবদা ত্রম্পনা ‘নখোয়না খঙলক্কনি’ হায়খি।

অশাদপু মফমদগী চিংথুদুনা সেফ জোনশিং লিংনবা নৌহৌননা আপিল তৌবগী মতম ওইদ্রিব্রা হায়না ভাইস-প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সতা হংবদা মহাক্কা মহাক্কী পাউখুম ওইনা ফোক্স ন্যুজদা হায়খি, ‘ওপসন খুদিংমক খন্নগনি হায়বসি ঐহাক্কা নখোয়দা শেংনা খঙহনবা পামই’ তৌইগুম্বসুং মহাক্কা অকুপ্পশিংদি ফোঙদোকখিদে।

এটেক অদু সিরিয়ন রেবেলশিংগী খুৎনি হায়বা রসিয়াগী ৱাফম য়ু এসকী ওফিসলশিংনা য়াখিদ্রে।

ৱাশিংটন্না অশাদপু মফম থাদোকহনবগী ৱাফমদা মখা তানা মীৎয়েং থম্বা লৈত্রে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং নুমিৎ খরনিখক লৈরগা ত্রম্পনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অসিনা ক্রেমলিন অমসুং ত্রম্পকী হ্বাইট হাউসকী মরক্তা অহানবদা পূক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইবা মরী লৈনরম্লবা মতুংদা মুক্ক রকপা য়াবগী ফীভম অমা লাক্লগনি হায়বগী ঈঙ্গিৎ পী হায়রি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ত্রম্পনা ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিংদা রসিয়া পনখিদে তৌইগুম্বসুং সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্নদি রসিয়ানা অশাদ শৌগৎপগী মতাংদা চেকশিন্না ৱাখল তৌবগী মতম ওইরে হায়খি।

## ‘য়ু এস-টাইৱানগী মরী ত্রম্প-সিগী মীটিংনা শোকহল্লোই থাজে’

টাইপৈ, এপ্রিল ০৬ :
চয়োল অসিদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা চাইনাগী মহাক্কী লেংমান্নবা সি জিনপীংগা লোয়ননা পাঙথোকপা অহানবা সম্মিটনা টাইৱানগা য়ু এসকা লৈনরিবা মরীদা অকায়বা অমত্তা পীরক্লোই হায়না থাজে হায়না টাইপৈনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা য়ু এসকী মায়কৈদগী পীরকখিবা থাজবা কয়া পল্লদুনা ঈথৎ অসিনা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

টাইৱানগী ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন এলীনর ৱাংনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা ৱাশিংটনগা হীরমসিগী মতাংদা নকশিন্ননা পাউ ফাওনরি অমসুং ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী ঈথৎ অসিগী অনিংবা-অপান্বশিংদা শোক্লিংঙাই লৈতে হায়বগী থাজবা পীরক্লে।

ত্রম্প-সিগী মীফম অসি ঐখোয়না য়াম্না লুনা লৌই অমসুং মীফমসিগী মাঙওইননা ঐখোয়না রিপব্লিক ওফ চাইনাগী অনিংবা-অপান্বশিং মওং অমত্তদা শোকহন্দনবগীদমক্তা য়ু এস সাইদকা মপুং ফানা কম্যুনিকেসন লৈনরকখি’ হায়না ৱাংগী ৱারোল পল্লদুনা ওফিসল সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

রিপব্লিক ওফ চাইনা অসি টাইৱানগী গভর্ণমেন্টকী ফোর্মেল মিংনি। মসি চাইনিজ সিভিল ৱার মনুং কুমজা ১৯৪৯ দা ঈথৎ অসিদা শেমখিবনি।

ত্রম্পনা হান্না ফোঙদোকখিবদা চাইনানা মসিগী টেরিটরিগী শরুক্নি হায়না ক্লেম তৌরিবা মশানা লৈঙাকচবা ঈথৎ অসিগা মরী লৈনবা য়ু এসকী হৌজিক লৈরিবা পোলিসী মহাক্কা মখা তানা ইনফম থোকই হায়না লৌদে হায়খিবনি।

## ওং সান সু চিনা মশিং য়ামজদবা মুস্লিম কাঙলুপ মুখৎনবগী থৌওং চথবা লৈতে হায়খ্রে

লন্দন, এপ্রিল ০৬ :
য়ু এন রাইটস কাউন্সিলনা ম্যান্মারগী আর্মিগী মায়োক্তা শীরিবা মরালশিংগী মরমদা ইনভেষ্টিগেসন চথবগী ৱাফম য়াখ্রবা মতুংদা বি বি সিদা ৱা ঙাঙলদুনা ওন সান সু চিনা মাইনোরিটি ওইবা ম্যান্মারগী মুস্লিম কাঙলুপপু লৈবাক অসিদগী মুখৎনবা হোৎনৈ হায়বা ৱাফম য়াখিদ্রে।

‘ম্যান্মারদা কাঙলুপ অমবু মুখৎনবগী থৌওং চথৈ হায়না ঐহাক্কা খন্দে। থোক্লিবা থাঙ্গৈশেংবা থৌদোক্কী মরমদা ঙাঙবদা মাইনোরিটি কাঙলুপ অমবু মপুং ফানা মুখৎনবা তৌরিবনি হায়বা ৱাফমসি কা হেনবা ৱাফমনি হায়না ঐহাক্কা লৌই’ হায়না সু চিনা ঙরাং টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি।

বাংলাদেশতগী চঙলকপা ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনি হায়না লৌনবা লৈবাক অসিগী রোহিংয়া মুস্লিমশিংগী ট্রিটমেন্টগা মরী লৈননা মহাক্কী চহী অমরোমদা ঙাইরিবা গভর্ণমেন্টবু



মালেমনা কন্দেম তৌনখিবনি। ফীভম অসিদা য়ু এন রাইটস কাউন্সিলনা হৌখিবা থাদা মাইনোরিটি কাঙলুপকী মায়োক্তা চথবা ওৎ-নৈবগী থৌওংশিংগী মতাংদা থিজিনবগী ৱাফম য়ানখি।

জিনেভাদা বেজ ওইবা বোদি অসিগী ফেক্ট-ফাইন্দিং মিসননা ক্রুপশিংনা চথৈ হায়রিবা ওৎপা-নৈবা, হাৎপা অমসুং রেপকী এলিগেসনশিং য়েংশিল্লগনি।

সু চিনা বি বি সিদা হায়খি মদুদি, রোহিংয়া মিলিয়ন অমা হেন্না লৈবা ৱেষ্টর্ন ষ্টেট রাখিনেদা হাৎন-শুনবগী থৌদোক কয়া থোকখি।

‘করিগুম্বা মখোয়না গভর্ণমেন্টনা খুৎশম্মৈ খল্লবদি মসি মুস্লিমশিংনা মুস্লিমশিংবু হাৎপনি হায়বা য়াই।’

মসি মীওই কাঙলুপ অমবু মুখৎনবা হোৎনবগী ৱাফমদি নত্তে। মসি তেঙান-তোঙানবা মীওই কাঙলুপশিংগী মরক্তা নাকপাকতনবগী ৱাফমনি। ঐখোয়না অমগা অমগা তাইশিন্নদুনা অসিগুম্বা নাকপাক তনবগী ফীভমসি লৈহন্দনবা হোৎনরি। ঐখোয়না তেঙান-তেঙানবা কাঙলুপশিংগী মরক্তা য়ারিবমখৈ খেন্নবা লৈহন্দনবা হোৎনগনি’ হায়না সু চিনা মখা তাখি।

রাখিনে ষ্টেটতা চথরম্বা য়াই হায়না চিংনরিবা ক্রাইমশিংগী মরমদা ম্যান্মারনা মরন্নাই প্রোব অমা হৌখ্রবনি। ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা য়ু এন চীফ কোফি অনানবু মতম শাংনা বুধিষ্টশিং অমসুং মুস্লিমশিংগী মরক্তা অমগা অমগা মচোই তানদুনা লৈরক্লিবদু তাইশিন্নবা য়ানবা শেম্বা কম্মিসন অমগী মকোক ওইনা এপোইন্ট তৌখি।

## ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টেনা সাউথ চাইনা সিগী রিফশিং পায়শিন্নবা ক্রুপশিংদা ওর্দর তৌখ্রে

মনিলা, এপ্রিল ০৬ :
বৈজিং য়াওনা সাউথ চাইনা সিগী মফম কয়া ক্লেম তৌনরিবা অতৈ লৈবাক কয়াবু কায়হৌবা ওইনা থোক্কদবা খোঙথাং অমদা ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেনা শগোলশেল নুমিৎতা লৈবাক অমত্তনা খুদুম চন্দ্রিবা লৈবাক অসিনা ক্লেম তৌরিবা সাউথ চাইনা সিগী ঈথৎশিং অমসুং রীফশিংদা লৈবাক অসিগী ক্রুপশিং দিপ্লোই তৌনবা ওর্দর পীখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

‘মীপুম খুদিংমক্কা মফমদুদা লৈরিবা ঈথৎশিংবু পায়শিন্নবা হোৎনবগী মতৌ উই। মরম অদুনা ঐখোয়সু হাংদুনা লৈরিবা মফমশিংদা লৈশিনহৌবনা হেন্না ফগনি খনবদগী খোঙথাং অসি লৌখৎলিবনি হায়না মহাক্কা য়েৎনরিবা স্প্রাটলি গ্রুপকী মনাক নক্কা নোংচুপ থংবা ঈথৎ পলাৱনদা লৈবা মিলিটরি কেম্প অমদা খোঙচৎ অমা চৎলিঙৈ মনুংদা পাউমীশিংদা হায়খি।

সাউথ ঈষ্ট এসিয়াগী য়ুন্নোন্নবা লৈবাক কয়ানা ফাংজিন্নবা মওংদা ক্লেম কয়া তৌবা লৈদুনসু চাইনানা রিছোর্চ মরাং কায়রবা সাউথ চাইনা সি অপুম্বদা মখোয়গী সোভরন্টি লৈ হায়রিবনি হায়না লৌবা য়াই। লৈবাক অসিনা য়াম্না থুনা রিফশিংবু মিলিটরি প্লেনশিং থম্বা য়াবা খুৎশেমগী



ঈথৎশিং ওন্থোকখিবনি।

দ্যুটর্টেনা মমাঙদা ষ্ট্রেটেজিক্কী মিৎয়েংদা য়াম্না মরু ওইবা ঈশিংগী শরুকশিংদুদা ফাংজিন্নবা ক্লেম কয়া লৈরিবদু য়েংদুনা অমগা অমগা মুক্করকপগী ফীভম লাক্লোইদবা মওংদা মহাক্কী লৈবাক্কা চইনাগা লৈনবা মরী ফঙাৎহন্নবা হোৎনখি।

তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টেনা শগোলশেল নুমিৎতা ‘মফমদুদা ষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং ফিলিপিন্সকী ফ্লেগ চীংখৎপগী মতম ওইরে’ হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মিৎয়েং অমসুং ৱাখলদা অহোংবা লাকপগী মওং উৎখি। ‘ঐহাক্কা আর্মদ ফোর্সেসতা পুম্নমক পায়শিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে।’

‘য়ামদ্রবদা হৌজিক ঐখোয় ঐখোয়গীনি হায়বশিংবু পায়শিনবা অমসুং মদু ঐখোয়গীনি হায়না চেংনা খঙহনবা পামই হায়না ফোঙদোক্লদুনা দ্যুটর্টেনা হায়খি, মনিলানা স্প্রাটলি ঈথৎ, রীফ মাপন নৎত্রগা ১০ ক্লেম তৌরি।

## দোনাল্ড ত্রম্প, সি জিনপীংনা অহানবা সম্মিটতা অমগা অমগা থাজনবগী মরী শাগৎকদৌরি

ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৬ :
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং মহাক্কী চাইনিজ কাউন্টরপার্ট সি জিনপীংনা অহানবা ওইনা হকথেংননা উনবদা মখোয়নিগী মরক্তা অমগা অমগা থাজনবগী মরী অমা শাগৎনবা হোৎনগনি অমসুং নোর্থ কোরিয়া অমদি লল্লোন ঈতিক্কী মরমদা য়েৎনবশিংগুম্বা বাইলেটরেল মরীশিংগী মরু ওইবা ৱাফমশিং খঙদোক্কবা হোৎনগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

সি অমসুং ত্রম্পনা শগোলশেল নুমিৎতা অথেংবদা সাউদর্ন হ্বাইট হাউস হায়না খঙনবা ফ্লোরিদা লৈবা য়ু এস প্রসিদেন্ট অসিগী মার-অ-লাগো রেজিদেন্সতা মীটিংশিং মথং-মথং পাঙথোক্কনি।

‘সম্মিট অসিদা লল্লোন-ঈতিক অমসুং শেল-থুমগী মরী অসি প্রসিদেন্ট অনীনা খন্নগদবা মরু ওইবা টোপিক ওইগনি’ হায়না হ্বাইট হাউসকী নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা এসিয়াগী সিনিয়র দিরেক্টর ওইরিবা মাট পোটিঞ্জরনা পাউমীশিংদা হায়খি।

অদুম ওইনমক মহাক্কা সম্মিট অদুদগী লাক্কদবা ফলশিংগী মতাংদদি কম্মেন্ট অমত্তা পীখিদে।

‘সম্মিট অসিগী মরু ওইবদি লুচিংবা অনীগী মরক্তা অমগা অমগা থাজনবগী মরী অমা তশেংনা শাগৎপা অমসুং নাকল অনীমক্কা লৈবাক অসিগী মরীগী মরক্তা লুনা খন্নরিবা ৱাফমশিং পুথোক্কবা হোৎনবা অমসুং ইস্যুশিংদুবু লৈখায় তাহনগদবা অমসুং নাকল অনীগী মরক্তা মতম শাংনা কোওপরেসন পীনবগী এরিয়াশিং য়েংশিনবা য়াগদবা মওংদা দাইলোগ কয়া চথনবা হোৎনমিন্নবনি’ হায়না পোটিঞ্জরনা হায়খি।

লুচিংবা অনীনা মমাঙদা ৱারী শানখিবা খরা লৈখ্রবসু মখোয়না হকথেংননা উনগদৌরিবদি মসিনা অহানবনি হায়না মহাক্কা মখা তাখি।

হন্দক্তা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্না বৈজিংদা খোঙচৎ অমা চত্তুনা য়ু এস-চাইনা সম্মিটকী মাঙওইনবা খোঙথাং খরা লৌখৎখ্রবা মতুংদা লুচিংবা অনীগী মীফমসি লাক্লিবনি।

## নোর্ৱেনা ঈশিংদা মালেমগী অহানবা সিপ টন্নেল শারগনি

ওস্লো, এপ্রিল ০৬ :
পুৱারীদা ভাইকিংশিংদা ফাওবা অকিবা পোকহনখিবা ঈশিংগী খুদোংথীবা কয়া অমুক হন্না থেংনহল্লরোইদবা মওংদা চীংজাউ অমা ফাওনা মালেমগী অহানবা সি টন্নেল শানবগী থৌরাংশিং নোর্ৱেনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা উৎখ্রে।

ৱেষ্টর্ন নোর্ৱেগী অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎনা তোয়না হুন্বা ষ্টাদ পেনিন্সুলা ফাওদনবগীদমক্তা মসিগী অকোয়বদা চৎপা য়ানবা শাগদৌরিবা ষ্টাদ সিপ টন্নেল অদু কিলোমিটর ১.৭ শাংগনি অমসুং মিটর ৩৬ পাক্কনি অমসুং মসিনা ঈশিংগী খোঙচৎশিংদা খুদোংথীবা



থোকপগী চাং হন্থহল্লগনি হায়রি।

‘মতম কুইরবগী তুংদা সিপশিং লান্নবগী লম্বী ওইগদৌরিবা ষ্টাদ টন্নেল শারগনি’ হায়না নোর্ৱিজন ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর কেটিল সোলভিক ওল সেননা ২০১৮ দগী ২০২৯ ফাওবা মতমগী মপুং ফারবা ট্রান্সপোর্ট প্লান অমা খুদোল তৌরদুনা হায়খি।

## কলম্বীয়াদা লৈখোম-লৈনাংনা চেন্থবদা শিখিবা মী মশিং ৩০১ য়ৌখ্রে

বোগোটা, এপ্রিল ০৬ :
কলম্বীয়াগী শাথিরবা মদস্লাইদতা শিখিবা মীশিংগী মশিং ৩০১ য়ৌরে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল লিগল মেদিসিন এন্দ ফোরেন্সিক সাইন্সেস ইন্সটিট্যুটনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখি মদুদি, চীংদগী নিঙ্খায়রকপা লৈবাক্কা ফুম্বদা অমসুং লৈনাংগী ঈচেলনা চেন্থবদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩০১ শিরে হায়না কনফার্ম তৌরে। মখোয়গী মনুংদগী মীওই ১৭৩ দি মশক মমিং খঙবা ঙম্লে। মীওইশিংদুগী মনুংদগী মীওই ১৫৩ দি মফম খঙলে। মফম খঙলবশিংসিগী মনুংদগী মীওই ২১৯ দি হিংলম্বা থেংনখি, তৌইগুম্বসুং লাইবক থীবদি মখোয়গী মনুংদা মীওই ৩৪ দি শিরল্লে’ হায়না সান্তোসনা বোগোটাদা লাউথোকখি। মহাক্কা মাঙ-তাকপগী মশক ওইরবা থৌদোক অদু দিল তৌনবা অনৌবা খোঙথাংশিংসু লাউথোকখ্রে।

মোকোৱা সিটিগী মদস্লাইদতু হৌখিবা মার্চ ৩১ দা নোং কা হেন্না চূবদগী তুরেল অহুমগী ঈমায় পাথোরকপদগী থোকখিবনি। তুংদা শাফু কল্লবা লৈনাংগী ঈচেলশিংনা য়ুম কয়া চেন্থখি।

লৈবাকপোকপগী অঙনবদা কলম্বীয়াগী প্রসিদেন্ট জুৱান মান্যুঅল সান্তোসনা শাথিরবা মদস্লাইদ অদুদা মীওই কয়া থিবা খঙদ্রি হায়বা ৱাফম য়াখি। ‘অয়ুকসিদা মীওই ৪৬৭ না মরী-মতাশিং থিবা খঙদবগী মতাংদা ৱাকৎলক্লে। থিবা খঙদ্রি হায়রিবা

প্রসিদেন্ট সান্তোসনা চপ চাবা মশিংশিং পীদ্রবসু লৈরিবা ৱাকৎশিংগী মশিংনা মোকোৱাগী নৈবরহুদ কয়াদা নুং, লৈবাক অমসুং লৈখোম লৈনাংনা মীওই ২০০ হেন্না ফুমজিন্দুনা লৈরমগনি হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীরি।

চৈরকসিদা কলম্বীয়ন রেদ ক্রোসকী ওফিসলনা ইফে ন্যুজদা ফোঙদোকখিবদা স্পেনিস অহুম য়াওনা য়ামদ্রবদা মীরৈবাকমচা নিপান এজেন্সি অসিনা থিরি হায়খ্রে। লাইবক থীবা থৌদোক্তু থোক্লিবা অহিংদুদগী মখোয়শিং অসিগী মরমদা ঈ-পাউ অমত্তা ফংলকখিদবনি হায়রি।




## EMPLOYMENT NEWS

### Central Institute of Mining and Fuel Research – CIMFR Recruitment – 47 Technical Assistant, Technical Officer & Sr. Technical Officer Vacancies – Last Date 12 May 2017

**CIMFR Recruitment 2017**
Central Institute of Mining and Fuel Research invites application for the posts of 47 Technical Assistant, Technical Officer & Sr. Technical Officer. Apply before 12 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : CIMFR-01/2017
**Job Details :**
Post Name : Technical Assistant/Gr.III(1)
No. of Vacancy : 37 Posts
Pay Scale : Rs.9300- 34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-
Post Name : Technical Officer Group III(3)
No. of Vacancy : 09 Posts
Pay Scale : Rs.9300- 34800/-
Grade Pay : Rs.4600/-
Post Name : Sr. Technical Officer
No. of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs.15600- 39100/-
Grade Pay : Rs.5400/-

**Eligibility Criteria for CIMFR Recruitment :**
Educational Qualification :
For Technical Assistant : First Class Diploma in Mining/ Mechanical/Electrical Engineering from a recognized University/Institute or First Class B. Sc. With Physics/ Geology /Chemistry as one of the subjects from a recognized University.
For Technical Officer : BE /B Tech. in Mining/ Mechanical/ Computer Science /Electronics and Instrumentation Engineering Engineering or equivalent with 55% marks from a recognized Institute/ University
For Sr. Technical Officer : MBBS with 55 % marks from a recognized university /institute along with registration with MCI.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 28 years For Technical Assistant, 30 years For Technical Officer & 35 for Sr. Technical Officer As on 12.05.2017
Age Relaxation : For UR : 28 years For OBC : 31 years For SC/ST : 33 years

**Job Location : Ranchi (Jharkhand)**

**Selection Process :** Selection will be based on Interview/Trade Test/Skill Test.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through Demand Draft/Web Generated E-Receipt drawn on State Bank of India in favour of “Director, Central Institute of Mining & Fuel Research and payable at SBI, Hirapur Branch, Dhanbad (Branch Code: 001670). Alternatively Examination Fee of Rs. 100/- may also be submitted through SBI payment gateway. Application fee is exempted in respect of candidates belong to SC/ST/PWD/Women categories & Departmental Candidates

**How to Apply CIMFR Vacancy** : Interested candidates may apply in prescribed application form along with the crossed Demand Draft/ Web Generated E-Receipt State Bank Collect Payment in case of online payment & other essential enclosures in an envelope superscribed “APPLICATION FOR THE POST OF____________ (Post Code:_______) send by Registered/Speed Post to The Controller of Administration, CIMFR, Barwa Road, Dhanbad – 826015 (Jharkhand) on or before 22.12.2016.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 12.05.2017
**Important Links :**
Details Advertisement & Application form Link : http://cimfr.nic.in/upload_files/current_opportunity/1490704194_CSIRCIMFRAdvtNo012017.pdf

### Central Institute of Plastics Engineering and Technology – CIPET Recruitment – Placement Officer & Assistant Placement Officer Vacancy – Last Date 30 May 2017

**CIPET Recruitment 2017**
Central Institute of Plastics Engineering and Technology (CIPET) invited applications for the posts of Placement Officer & Assistant Placement Officer on Tenure basis. Apply before 30 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : HLC-RECTT-01/2017
**CIPET Job Details :**
Post Name : Placement Officer
No of Vacancy : Not Specified
Pay Scale : Rs.40000/- (Per Month)
Post Name : Assistant Placement Officer
No of Vacancy : Not Specified
Pay Scale : Rs.30000/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for CIPET Recruitment :**
Educational Qualification :
For Placement Officer : B.Tech/B.E(Mechanical/Chemical/ Polymer or Equivalent ) with 05 years of Placement experience in Institute/ HR Firm /Industry.
For Assistant Placement Officer : Graduate with 03 years or Diploma with 05 years of Placement experience.
Nationality : Indian
Age Limit : As per CIPET rules

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on Interview.
**Application Fee :** There is no application fee.
**How to Apply CIPET Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents & experience certificate send to Shri Anil Kr. Singh, Head Administration (Academic) , Central Institute of Plastics Engineering and Technology, Head Office, T.V.K Industrial Estate, Guindy, Chennai – 600 032 on or before 30.05.2017.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 30.05.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.cipet.gov.in/job-opportunities/downloads/30-03-2017-001/Advertisment%20for%20Placement%20&%20Assistant%20Placement%20Officer.pdf
Download Essential Qualification Link : http://www.cipet.gov.in/job-opportunities/downloads/30-03-2017-001/General%20Infomation%20%20for%20Placement%20&%20Assistant%20Placement%20Officer.pdf
Download Application Form Link : http://www.cipet.gov.in/job-opportunities/downloads/30-03-2017-001/Application%20form%20for%20P.O%20&%20A.P.O.doc